# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 09-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

**১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপকী মীওই অনি অমসুং ঙমখৈ লান্না ড্রগ লল্লোনবা মীওই অমা ফারে।**

**২) ৭১ শুবা লম্লক্কী শা উচেক কনবগী চয়োল পালন ঙসি ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা য়াওদুনা লোইশিল্লগনি।**

**অমসুং**

**৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুপা কোতি লিশিং ১৯,৬৫০ চংনা পায়খৎপা নবি মুম্বাই ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টকী অহানবা শরুক শঙ্গাখ্রে।**

**------**

**পুলিস (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ঙাইরাংবম তাওথোং এরিয়াদগী য়ু.এন.এল.এফ (কে)গী মীওই অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মশানা মশাবু লুপ অসিগী মেজরনি হায়জবা মীওই অদুদগী মোবাইল ফোন অমা অমসুং দাহভিং লাইসেন্স অমা ফংলে হায়রি।**

**রাজ্য পুলিসকী পাউনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা অরাপতি ময়াই লৈকাইদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফারে। মহাক মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমদি মীফা মীপুন য়াওনা আইন্না য়াদবা থবকশিংদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।**

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী বেহিয়াং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা বোলকোট ভিলেজ মনাক্তা লৈবা উমংদগী ঙমখৈ লান্না ড্রগ লল্লোনবগী থবক তৌবা মীওই অমা ফারে। মঙোনদগী সাপোন কেপ ১০০ দা হাপ্তুনা পুরম্বা হিরোইন পাউদর কিলোগ্রাম অমা গ্রাম ২০০ রোম ফংলে হায়রি।

নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ৯৫ সেক্যুরিতি ফোর্সনা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা ইম্ফাল্লোমদা পুশিল্লকখ্রে হায়রি।

নিংথৌ (এল)ঃ ত্রিপুরাগী অভোইনাগরদা লৈবা ইবুধৌ পুথিবা লাই কমিতিগী মীহুৎশিংনা ঙরাং ইম্ফালগী সনা কোনুংদা লাক্তুনা মণিপুরগী নিংথৌ অমসুং রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ সনাজাউবা লৈশেম্বগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা ইবুধৌ পুথিবগী নৌনা শাবা লাইশঙ লাক্লিবা নবেম্বর ২২ দা শঙ্গানবগী মতাংদা খন্নখি। মীহুৎ কাংবু অদুনা লাইশঙ শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা ইনিংথৌবু শরুক য়াবীনবসু ফোংদোকখি হায়রি।

অমরোমদা, মেরা হৌ চোংবগী থৌরম মায় পাকা পাঙথোকখিবদা মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। উত্রা শঙলেন সনাকোনুংগী মীহুৎশিংগা লোয়ননা থৌরম অদু মায় পাকা পাঙথোকখিবগী মতাংদা হন্না য়েংশিনবগী মীফম অমা ঙরাং কোনুংদা পাঙথোকখি। মদুদা ইনিংথৌনা থৌরম অদু মায় পাকা পাঙথোকবা হোৎনবদা শরুক য়াখিবা অমদি মতেং পাংখিবশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

ৱিক (এল)ঃ ৭১ শুবা লম্লক্কী শা উচেক কনবগী চয়োল পালন ঙসি ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা লোইশিল্লগনি।

রাজ্যগী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা অথোইবা মীথুং অমসুং রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়লনা অথোইবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াগনি।

থৌরম অদুদা ৱাইল্ড লাইফ ত্রষ্ট ওফ ইন্দিয়াগা খুৎশমদুনা পায়খৎপা মণিপুর বিয়ার কঞ্জার্ভেসন প্রোজেক্ট হৌদোক্কনি। মসিগী মথক্তা ফ্লাইট, ফর এন্দ ফেংস হায়বা

লাইরিক অমসু ফোংগনি। রাজ্যপালনা ৱাইল্ড লাইফ ফোটোগ্রাফি একজিবিসন অমা য়েংগনি।

থৌরম অদুদা মণিপুরদা পাঙথোক্লিবা ৭১ শুবা লম্লক্কী শা উচেক কনবগী থৌরমগা মরী লৈনবা রিপোর্ট পুথোক্কনি। ৱাইল্ড লাইফ ট্রষ্ট ওফ ইন্দিয়াগা খুৎশমদুনা মণিপুরদা পায়খৎলিবা পেংগোলিন য়োকখৎপা প্রোজেক্টকী মতাংদা ভিদিও অমা উৎকনি। মসিগী মথক্তা ফোরেষ্ট রিছোর্স এসেসমেন্ট এন্দ মোনিটরিং সিষ্টেমগী ৱেব এপ্লিকেসন অমা হৌদোক্কনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা মনাশিংসু য়েন্থোক্কনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মহারাষ্ট্রগী মুম্বাইদা লুপা কোতি লিশিং ১৯,৬৫০ রোম চংনা পায়খৎপা নবি মুম্বাই ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টকী অহানবা শরুক ঙরাং শঙ্গাখ্রে। মহাকা হায়- অতোপ্পা কন্নেক্তিভিতি প্রোজেক্টশিংসু হৌদোকখি। মসিনা মুম্বাইবু লন্দন, নিউ য়োর্ক অমসুং তোকিওনচিংবা য়াওনা মালেমগী মরুওইবা সহর কয়াগা শমহন্দুনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা হেন্না খুদোংচাবা পীরগনি।

শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- অনৌবা এয়ারপোর্ট অমা শঙ্গাবগী খোঙথাং অসিনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা চাওখৎলবা ভারত অমা ওইহন্নবগী লম্বীদা জাতি অসিগী চাওখৎপগী খোঙজেল, কলা সংস্কৃতি অমসুং টেকোলোজিগী তৌবা ঙম্বা শক্তিশিং উৎলি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- কুমজা ২০১৪ দা লৈবাক অসিদা এয়ারপোর্ট ৭৪ খক্তমক লৈরম্মী, অদুবু ঙসিদি শিংথানিঙাই ওইনা মশিং হেনগৎতুনা এয়ারপোর্ট ১৬০ গী মথক্তা লৈরে। মসি উরান য়োজনাগী মখাদা মীয়ামদা অহোংবা মমলদা নোংথক্কী লম্বীদা চৎথোক চৎশিন হেনগৎহন্নবা মহাক্কী সরকারনা লৌখৎলকপা থবক থৌরম কয়াগী মহয়নি।

মদুগী মমাংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং নিউ দিল্লিগী য়াসোভুমিদা এসিয়া মহাদেশকী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা টেলিকোম, মিদিয়া অমসুং টেকোলোজিগী থৌরম- ইন্দিয়া মোবাইল কংগ্রেসকী ৯ শুবা ইদিসন হৌদোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- দিজিতেল কন্নেক্তিভিতি অসি চুমগী অকে অমৌগী শরুক অমা ওইনা

খন্নরম্বা অদুগী মহুৎতা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী পুন্সিগী তঙাইফদবা শরুক অমা ওইনা লাকপা হৌরে। মহাকা হায়- মতম অমদা ভারত্তা টু-জি মপুংফানা পায়খৎনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া থেংনরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি লৈবাক অসিগী জিলা খুদিংমক্তা ফাইভ-জি ফংহনবা ঙমলে।

রাষ্ট্রপতি ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী নুমিৎ হুমিগী গুজরাত খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। মহাকা হয়েং সোমনাথ মন্দিরদা চত্তুনা লাই খুরুমগনি। মহাকা সাসন গিরদা চত্তুনা মফম অদুগী ত্রাইবেল মীয়ামশিংগা উন্নগনি অমসুং গির নেসনেল পার্ককী ফিভম য়েংশিনগনি। থা অসিগী ১১ দা রাষ্ট্রপতি মুরমুনা দ্বারকাদা চত্তুনা দ্বারকা দিস মন্দিরদা লাই খুরুমগনি। অহমেদবাদতা লৈবা গুজরাত বিদ্যাপিথকী ৭১ শুবা কনভোকেসন থৌরমদসু শ্রীমতি মুরমুনা শরুক য়াগনি।

সিবিআই ঃ লৈবাক কয়া লান্না চত্থবা সাইবর ফ্রাউদকা মরী লৈননা সি.বি.আইনা রাজ্য ৬ কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থখ্রে। দিল্লি এন.সি.আর, হরিয়ানা, রাজস্থান, গুজরাত, কেরলা অমসুং নোংচুপ বেঙ্গল য়াওনা চাউরাকা মফম ৪০ রোমদা থিবা হুম্বগী থবক অদু চত্থখি। সি.বি.আইনা হৌজিক হৌজিক চত্থরিবা চক্র ফাইভ ওপরেসনগী মনুং চন্না লৈবাকশিং লান্না সাইবরগা মরী লৈননা অরানবা তৌরিবা মীওইশিং ফাগৎনবা অমসুং মখোয়গী থবক থৌরমশিং থিংনবগী পান্দমদা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

এয়ারফোর্স ঃ উত্তর প্রদেশকী গাজিয়াবাদতা লৈবা হিন্দান এয়ার ফোর্স ষ্টেসনদা ঙরাং ৯৩ শুবা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এয়ার ফোর্সকী কাংবুনা পুকিং চিংশিননিঙাই ওইরবা ফজরবা নোংথক্কী কুম্মৈ কয়া উৎখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা চীফ ওফ ইয়ার ষ্টাফ- ইয়ার চীফ মার্সেল আমর প্রিত সিংহনা হায়- ভারতকী এয়ার ফোর্স অসি ইচম চমা হৌরকখিবা ওইরবস্ ঙসিদি

মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা মরিসুবা এয়ার ফোর্স ওইবা ঙমলে। মহাকা হায়- ওপরেসন শিন্দুরদা লৈবাক অসিগী এয়ার ফোর্সনা লৌখিবা থৌদাং অদুনা লৈবাক অসিদা শিংনরকপশিং ঙাকথোকবা অমসুং তংদু লৈতাবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা তৌফম থোকপা থৌদাং অদু নিংথিনা উৎখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

দিল্লিদা লৈরিবা এম.এল.এশিংনা বি.জে.পি. নোর্থ ইষ্ট ইনচার্জ সম্বিৎ পত্র উন্নখিবা, এন.পি.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট কোনরাদ সংমা ঙসি মণিপুরদা লাক্লগনি হায়বা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

দিল্লিদা লৈরিবা এম.এল.এশিংনা অমিত সাহ, পার্তি প্রসিদেন্ট নদ্দা উন্নগে হায়বদা য়াদ্রি, সম্বিৎ পত্রনা প্রসিদেন্টস রুল মখা তানা শাংদোক্ত্রিঙৈ গভর্নমেন্ট শেমহনগনি হায়রকখ্রে হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিগা মরী লৈননা অনৌবা লৈঙাক্কী মঙলানদা চৎখিবশিং সম্বিৎ পত্রদগী হেন্না উন্নবা ফংদ্রি, সম্বিৎ পত্রনা জে.পি. নদ্দা, হোম মিনিষ্টর অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর উন্ননবগা এপ্পোইন্টমেন্ট লৌবা ঙমলোই হায়রক্লে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস অমসুং গানফিউ মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এন.পি.পি প্রসিদেন্ট কোনরাদ সংমা নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙসি মণিপুর য়ৌরক্কদৌরি, হান্নগী ফিভম লাকহন্নবা লম্বী থিবা লাকপনি- এন.পি.পি হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

টাইগর, জরমন রোড শেম্বা অমদি পোপি পাম্বী থাবা য়ারোই- জেদ.য়ু.এফ। কুকিশিংনা অনওথোরাইজ চ্যেক পোষ্ট হাংদুনা মীয়ামদা অৱাবা পীরোইদবনি হায়বা পাউ সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ম্যান্মার মিলিটরিগী পেরা গ্লাইদর ষ্ট্রাইক্তা অঙাং য়াওনা মীওই ৪০ লৈখিদ্রে হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শিল্লোংগী রেড লেন্দ বিল্ডিংশিং ঙাক শেন্দুনা থমবা হান্নগী কেন্দ্রগী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন্না রাজ্যপাল অজায় কুমার ভল্লাদা তকশিনখিবগী পাউ মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

রাজ্য অসিদা জল জিবন মিসন ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা খেন্নবা কয়া লৈরে হায়না এম.পি. বিমোল অকোইজমনা মরাল শিখিবগী পাউ মোর্নিং বেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পুয়া মৈ থাদোকখিবনা লমদম অসিগী খুন্নাইরোল অমদি মীয়ামা হিরম কয়াদা মনিং হন্দুনা লাকখিবনি হায়না পুয়া মৈ থাখিবগী ২৯৩ শুবা নিংশিং পালন থৌরমদা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

১৩ শুবা গোস্পেল য়ুথ সোক্কর তমেংলোং হেদক্বাটরসকী লৱার গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসকী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------